# পুঙম-থাঙমদ্রবা পোৎলুম্না নন্থরবী অমগী তেংথাখোল

**থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা**



*পুন্সিদা খ্বাইদগী ৱাবসি ঐ ওইরমগনি। ঐনা হোৎনর-কপদৌনা কনানসু হোৎনরম্লোই* ৱাফম অসি মী অয়াম্বনা হায়নবা ৱাহৈনি। মশা-মশানা হোৎনরিবা অদুদগী হেন্না অতৈনা হোৎনরম্লোই হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না হায়নৈ। মরম অসিনা ওইবা তাই লীলা ইবা, ফিল্ম ইবা মীওইশিংদা মীওই অয়াম্বনা *ঐগী ফজবা ৱারী অমা লৈ। ৱারী অসি ফিল্ম নমথোক্লবদি নৎত্রগা লীলা ওস্থোক্লবদি ওস্থোক্না ফজগনি* হায়নরিবসি।

কনাবু ৱাদনা হৌরকপদি লৈবগে। মতাংসিদা ৱাফম অমখক নীংশিংলকই। য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় মশেল ৱারী শানবদা রিছার্চ স্কোলার অমনা হায়খিবা ৱাহৈনি। মহাক্না হায়, মালেমসিদা প্লোব্লেম লৈতবা মী অমত্তা লৈতে। প্লোব্লেমগী সোল্যুসন পুথোকপা ঙম্বা অদুনা মতিক চাবা মী ওইবগী ৱানি। মরম অসিনা ঐখোয়না অপীকপা প্লোব্লেম অমগীদমক কোক চিকহনবগী কান্নবা লৈতে। মহাক্কী ৱাহৈ অসি পুন্সি চুপ্পগী ওইনা অসুম্মক নীংশিংদুনা লৈরগনি। ৱাদা ৱাশিল্লক্লবা মতমদা ৱাহৈ অসিগী চন্নফম য়াম্না লৈরকই। ৱাফম অমসু নীংশিংলকই। নোংমা ইথা থাজদনা থেংনবা ৱাহৈনি। মতম পুম্নমক্তা ষনগতা লোয়নদুনা লৈরবা লৌমী অমনা হায়বনি।

মহাক্না হায়, ৱারিবনি হায়দুনা হেন্না অৱাবা উৎপা হায়বসিসু মীনা নুংশিদনবগী মরম অমনি। অদুগা নুংঙাইরগসু হেন্না নুংঙাইবগী মশক অমা কৈদৌনুংদা উৎথো-ক্লোইদবনি। মীয়াম্না য়ানবা মী অমা ওইগে হায়বা তারবদি মহৌশাদগী লাকপা মী অমগী শাজৎ-লীচৎ অদু খঙহোং হোংহনবা চুমদে। ৱাফম অসি অচুম্বা ৱাফমনি হায়না লৌই। লুরিবদি লোৎশিনফম থোকপা নুংঙাইবনা লোৎশিন্দ্রগা অৱাববু হেন্না লোৎশিন্নরিবা অসিনি। ফনা য়াম্না লায়ররবা মী ফাওবনা পুন্সিদা নাপল মচা অমমমদি তৌনরি। চানিংঙাই লৈতবদগী চরা হেল্লবা ফাওবদা ঈশিং থল্লগা খৌদেমশিন্নদুনা ঙসিগী এস্সাংসিদি হাউখ্রেদা হায়জিন্নবা ঙম্মরিবা মীওইবগী লীচৎনি। ষন-শগোল অমত্তনা নুংঙাইবগী মথেল লাংলক্ত্রবসু লাল্লক্লবা মতমদদি খোংলকপা হায়বসিনা মখোয়গী লীচৎনি। মসিদনি মীগা শাগা খেন্নরিবসি। মীওইবনা নুংঙাইবা লোৎশিনবা ঙমদে। অদুগা শাশিংনা অৱাবা লোৎশিনবা ঙমদে। মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবশিংনা লোৎশিন্নবা হোৎনরিবদি মশা মশাগী ওইবা ফত্তবা লমচৎ-শাজৎ খক্তনি। ফত্তবা লমচৎ-শাজৎ লোৎশিনবা ঙল্লিবমখৈ অফবা মীনি হায়না মীয়াম্না শিংথানরি। মীওইবা অমগী নুংঙাইবদদি মীপুম খুদিংমক্না শরুক য়ানিংই। অদুগা মীওইবা অমগী অৱাবা মতমদদি কনানসু মাগীদমক্তনি হায়না লেপনিংদে। অদুনবু হায়রল্লিবনি ফিরাল মমায় চুল্লিঙৈ মরুপ ৱাৎতে মীরম্লেনদা। অদুগা মালেমসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক তীন্নগনি খল্লগদি মীওই অমত্তনা মশাগী অশেংবা মরুপ লৈজদবা হায়বসিসু মশানা তাবনি। মীওই খরনা ফনা শিংথানবা মী হায়বদু ওইহনগে হায়বা তারগদি মীওই খরগা নুংশি-চান্ননা লোয়নবা হৈবা তাই। মীবু মী য়াওদনা মীয়ামগী মকোক ওইবা হায়বসি কৈদৌনুংদা খক ওইথোক্লোই।

লাক্লিংলিবা ৱাফমদি অৱাবা হায়বসিনি। অসিদগী হেন্না অৱাবা অমা লৈরমখিগদ্রা খনবা থৌদোক কয়া মায়োক্লখ্রে। মেট্রিক পরিক্ষা থারমদাই মতমদা লাইরিক পানবা হোৎনবদা ৱাখিবা অদুনা লোইরগদবোই নীংলুরগা টুয়েল্বকী, বি এগী অমসুং মাষ্টরগী ইগজামদসু অদুমক ৱাবা তারকই। নুংঙাইবদি লোইখিবা য়াই অদুগা অৱাবদি অমগী মথংদা অমনা লেপ্তুনা লৈরম্মী হায়বসি মদুতদা খঙই। পুন্সিদা য়ুম পানবগী নুমীৎপু খৌরাংনা ঙাইরম্লগা লুহোংবা নুমীৎকী নোংঙানবদা শেনে দানগী কোমদা পুথদুনা লৈরম্বগী অৱাবদুদি লুহোংদ্রিবা কনানসু খঙবা ঙম্লোই।

ইমুং-মনুংগী অৱাবা, লৈকায়গী থেংনরিবা অৱাবগী ৱারীনা অমগী মথংদা অমনা মথং মথং লোনশিল্লক্লি। নুমীৎ অদু অৱাবা ৱারীতা তারো হায়না তম্লম্লবগুম্না থোকখি। ফিল্মগী সুটিং মফম অমদনি। সুটিং হৌননবা হোৎনরিঙৈদা ফিল্ম নম্ফম ওইরিবা য়ুম অদুগা থংনবা য়ুম অমগী ৱারী তাখি। তমথিরবা লায়না অমনা নারবা ময়াম্বা অমা মপানলমদা লায়েংনবা পুদুনা চৎলি। খোঙচৎতুগী অহৌবগী লম্বীদা মনাওনুপা অদুসু য়াম্না ওরকখি। খুদক্কী ওইবা ফর্ষ্ট এইদ পীরগা ময়াম্বা অদুমক পুরগা মহাক্না চৎখি। অদুবু লাইবক থীরিবদি মপান লমগী হোস্পিটাল অদুদা ময়াম্বা অদু এদমিট তৌনবা হোৎনরিঙৈদা মনাওনুপা অদু অমুক্তসু ওরকখি। মনাওনুপা অদু করি মরমগী ওরিবনো হায়না চাংয়েং তৌবদা ময়াম্বা অদুনা নারিবা লায়না অদুমক্তা মান্নবা লায়না ওইরমখি। লুপা লাখনা খুজিং ওইরগা লায়েংগদবা তমথিরবা লায়না করিগী লৈরল্লিবনো হায়দুনা তকশি শোনবতা নত্তনা করিদি উপায় লৈ। ময়ুমদা লৈহৌরিবনা শুপ্নতগী মচে খক্তনি। পুন্সিদা য়ুম পাল্লরোই হায়দুনা ময়ুম পাঞ্জদ্রবীনি। মৌপ্পা অনীগী খনবদা খুদাং পিফম তৈরবী। মমা লৈখিদ্রে। মমা লৈখিদবদুসু মপানা লৈখিদবদগী ৱাখলগী লায়নানা লৈখিদবনি। মপানা লৈখিদবসু মচা অনীনা নারিবা তমথিবা লায়না অদুনি। লমচৎ কাম্বশিংনা নাগনবা লায়না অদুসু নত্তে। পুন্সিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমত্তা চাজরকখিদ্রবা মপানি। করি লাইনা তম্লম্বদগী তমথিখ্রবা লায়না অমনা ইমুং অসিদা করিগী লান্দারিবনো। কেন্সর হায়রিবসিবু করিগী মীনা তাথি-তাওইনরিবনো। লায়না অসিনা নারবা মীওই কয়া মতম শাংনা হিংবা ঙম্মী। মীওই কয়াদা লায়না অসিনা নারবা মীওই কয়ানা পূক্নিংগী থৌনা পীরি। লুরিবদি শেলনি। শেল লৈতনা মণিপুরদবু করম্না ডোক্তরশিংগী মীনুংশি ফংগনি। লায়রবা ইমুংগীদমক্তা করম্বা মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা পাম্বোম তীংগনি। মায়কৈ মরি শুংদাই মাপনমক কোয়না য়েংলবসু ইমুং অসিগীদমক্তা মতেং পাংবীনবা মীদি উবা ফংখিদে। কনা কনাগুম্বনা মীনুংশিগা লোয়ননা পাংলকপা মতেংশিং অদুনা য়ুমসিদা তোল্লিবা শেন্দোনশিং কোকহনবা ঙম্বগী উপায় লৈবসু নত্তে। অদুবু নোংদম্বা মঙোন দা থংজিনবা নত্তনদি করিদি উপায় লৈরি। উপায় লৈত্রবা ইমুং অসিগীদমক্তা পাম্বোম তীংবীখিবশিং অদুগী মফমদদি নোংদম্বনা থৌজানবীবা ওইসনু হায়না মচে ওইরিবী মহাক্না লাই নীংজবা অসি নত্তনা মীনুংশিগী লমন শিংনবগী উপায় হৌজিকসু লৈত্রি।

ৱারী অসি ফিল্ম ওইনা পুথোক্লবদি ফজগদ্রা হায়না ফিল্ম নম্ফমদা মীওই অমনা লীরকপা ৱারীনি। কনানা ৱারী অসি ফিল্ম ওস্থোকপীনবা শেলদি পুথোকপীগদৌরি। শেল লৈতনা ফিল্ম নম্বা য়াবা নত্তে। হৌজিক মতমগী প্রদ্যুসরশিংনা মশা মশাগী ৱারী অমমম পুরক্লগা ফিল্ম নম্নখল্লক্লিবা চৈরক অসিদা করম্না ফজবা ৱারী অমা লৈরে হায়না হৌদোক্লুগদগে।



# অয়ুক য়াহৌরকপগা চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং থকপনা লায়না কয়া ফহনবা ঙম্মী



চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং মরাং কায়না থকপা ফৈ হায়বা ৱাফম অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙাঙনদুনা লাক্লবনি। মীওইবনা হিংবদা ঈশিং চঙই। অয়ুক হেক য়াহৌবগা চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং থল্লবদি অমুক্তা হেন্না কান্নৈ হায়বা ৱাফম অমা হন্দক্তা নৌনা থিজিনবদগী খঙলে।

হকচাং ফবনা অথোইবা লননি হায়বা মতম চুপ্পা চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফম অমা লৈবনিনা য়ারিবমখৈ চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা হকচাং ফহন্নবা অমসুং লায়না তীন্না চঙহন্দবা মওংদা পুন্সি নুংশাংনা হিংনবা হোৎনগদবনি।

অয়ুক হেক য়াহৌরকপগা চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং থকপনা খ্বাইদগী তমথিরে হায়রিবা লায়না ফাওবা ঙাকথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা হকচাং ফহল্লি। মসিনা চাকখাউ শেংদোকপগা লোয়ননা হকচাং মনুংদা লৈবা অমোৎ-অকায় পুম্নমক শেংদোকই। খ্বাইদগী মরুওইরিবা ৱাফমদি কোলোন শেংদোকপা মরম্না চীঞ্জাক্তা য়াওরকপা কান্নরবা মচল পুম্নমক চাকখাউনা চুপশিনবা ঙম্মী। চাবা তুমহনবগী মথৌ তৌরিবা দাইজেষ্টিব সিষ্টেম শেংদোক্লবদি হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীবা মরম্না নুমীৎ খুদিংগী চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং মরাং কায়না থকপা মথৌ তাই।

হকচাংগী কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা চেনবদা ঈ পুম্নমক মোৎশিল্লকই। অদুবু চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং মরাং কায়না থল্লবদি ঈদা য়াওবা অমোৎপা পুম্নমক শেংদোকপা মরম্না কুচু শেংহল্লি। মসিদসু নত্তনা অনৌবা ব্লদ সেল অমদি মশল সেল শেমগৎপদা মতেং পাংই অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হন্থহল্লি।

নীংশিংগদবা অমনা অয়ুক ঙন্তা ঈশিং থল্লবা মতুংদা ঙাইহাক্তি মপং ওইবা চীঞ্জাক অমত্তা চারোইদবনি। য়ামদ্রবদা নুমীৎ খুদিংগী অয়ুক হেক য়াহৌরকপগা ঈশিং লিটর অমরোম থকপা মথৌ তাই। অহানবদা খজিক-খজিক থল্লম্বদগী তপ্পা তপ্পা চাং হেনগৎলক্লবসু অকায়বা লৈতে। ইচম চম্বা থৌরাং ওইজবা তারবসু অয়ুক হেক য়াহৌরকপগা চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং থকপনা চীকপা-নাবা, অজমা অমদি কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া ঙাকথোকপা ঙম্মী।

ঈশিং থকপনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবা পুম্নমক চহী কয়াগী মমাঙদগী ডা. বেটমেন ঘেলিজনা খঙলকখি। ইরনেদা পোলিটিকেল প্রিজনর অমা ওইনা কৈশুমশঙদা লৈরিঙৈদা ঈশিংগী কান্নবা খঙলকপদগী মহাক্না জেলদা লৈমিন্নবা মীওই ৩০০০ লোম ঈশিং খক্তনা লায়েংলম্মী। লন্দনগী সেন্ট মেরিজ হোস্পিটাল মেদিকেল স্কুলদা তম্লকখিবা ডা. বেটমেননা কৈশুমশঙদগী থোরক্লবা মতুংদা মপুং ফানা ঈশিংগী লায়েং (ৱাটর থেরাপি) দা মায় ওনশিনখি। মহাক্না মখা তানা থিজিনবদা ঈশিং ৱাৎপনা হকচাং মনুংদা দিহাইদ্রেসন তৌবদগী থোকহল্লকপা অমাঙ-অতা পুম্নমক খঙলকখি।

অকোনবদা মহাক্না ঈশিং খক্তগী মতেংনা মীওই কয়া লায়েংবা হৌরকখি। মহাক্না থেংনরকপা, খঙলকপা ঈশিং থকপগী কান্নবা পুম্নমক ইন্টর্নেসনল কনফরেন্স কয়াদা শরুক য়াদুনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লাইরিক ওইনসু ফোঙলকখি। মহাক্না ইখিবা লাইরিক অনী- 'য়োর বোদিজ মেনি ক্রাইজ ফোর ৱাটর' অমদি 'হাও টু দীল ৱিথ বেক পেন এন্দ রুমাটোইদ জোইন্ট পেন' ঙসিসু মীয়াম্না অদুম্মক পাম্নরি। ডা. বেটমেন ঘেলিজনা হায়খি, হকচাং মনুংদা ঈশিং ৱাৎপদগী হকচাংনা উৎথোরকপা খুদম চাংদম কয়াবু মীওইবনা অতৈ অতোপ্পা লায়না ওইনা হেক হেক শেরান্নবা মওংদা লৌই। ইচম-চম্বা মওংদা ঈশিং মরাং কায়না থল্লগা লায়না ফহনবা য়াবা লায়না কয়াবু শেল অমদি মতম চঙনা লায়েংনরি।

মতম শাংনা ঈশিং ৱাৎপদগী ওইরকপা ক্রোনিক দিহাইদ্রেসন অমসুং ৱাটর থেরাপিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, নোংমগী হকচাংনা ঈশিং খজিক-খজিক ৱাৎখিবনা চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদদি অমাঙ-অতা কয়ামরুম থোকহল্লকই।

ঈশিং ৱাৎপদগী দিহাইদ্রেসন তৌদুনা উৎথোরকপা খুদম-চাংদমশিংবু করিগুম্বা মতমদা ডোক্তরনা অতোপ্পা লায়না ওইরবোই নীংদুনা কান্নদবদা হীদাক লাংথক কয়া থারি। হকচাং মনুংদা ঈশিং ৱাৎপদগী ওইহল্লকপা য়াবা লায়নাশিংগী মনুংদা দিসপেপসিয়ন, রুমাটোইদ অথ্রাইটিস, এঞ্জিনা, মাইগ্রেন, কোক চীকপা, কোলাইটিস, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাইপরটেন্সন, এনিমিয়া, ওবেসিটি, সাইন্নসাইটিস, পলমো-নরি ট্যুবরকুলোসিস, অজমা, কিদনিদা নুঙ লৈবা, দাইবেটিস, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, ল্যুকেমিয়া, য়ুটেরাইন কেন্সর অমসুং ব্লদ কেন্সর অসিনচিংবা কয়া য়াওরি। হৌগৎলকপদা ঙায়রিঙৈদা হায়রিবা লায়নাশিং অসি অতৈ অতোপ্পা হীদাক লাংথক থাদ্রবসু ঈশিং মরাং কায়না থল্লগা ফহনবা ঙম্মী হায়বা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে।




# ফিল্মগী মীওইশিংনা শান্নবদা শরুক য়ারকপা

মণিপুরী ফিল্মগী থবক তৌরিবা মীওইশিংনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী মশান্না কয়াদা শরুক য়ারক্লি। মদুগী শরুক অমা ওইনা কুমজা ২০১৫ দসু অম্ফিম্পা সেবেন এ সাইদ ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখি। কুমজা ২০১৬ গীসু লাক্লিবা জন্যুৱারি ২৪ দগী ৩১ ফাওবা নুমীৎ তরেৎনি চুপ্পা কোংবা কৈথেলদা লৈবা ওলা গ্রাউন্দদা হায়রিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরি। অম্ফিম্পা ফুটবোল ক্লবনা শীনবা টুর্নামেন্ট অসিদা ফিল্মগা মরী লৈননা থবক তৌরিবা গিল্ডশিংগী মীংদা টিম কয়ানা শরুক য়াগদৌরি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫ দা কিস্পা গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচতা দিরেক্টরস গিল্ড মণিপুরগা অম্মিক্কা শান্নবদা দিরেক্টরস গিল্ড মণিপুরনা ৱিন্নর ওইখি। ষ্টেট অসিদা ফিল্ম তৌরিবা মীওইশিংনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মীৎয়েং চঙলকপা অসিদা মীয়াম্নসু ভাবোক্কী লৈতেং ওইবগী চাং হেনগৎলক্লি। 'য়েস টু লাইফ নো টু ড্রগস' হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবা অম্ফিম্পাগী টুর্নামেন্ট অসিদসু মীয়াম্না মখল কয়াগী মতেংসু পীনরি। ফিল্ম তৌরিবশিংনা শান্ন-খোৎনবদা থল্লক্লিবা মীৎয়েং অসিবু কুম্মৈনি হায়না খনবীবগী মহুত্তা লমদমসিগী মশান্নাশিং অমদি ইন্টর্নেসনল এরেনাগী মশান্না কয়াদা লমদমসিগী ওইবা মশক তাকপা ঙম্নবা হোৎনরক্লি।
















